# হীদাক কান্নরবা পান্থীশিং ঃ হৈনীঙ

— ডা. হুইদ্রোম বীরকুমার সিংহ —
সি এস আই আর ঃ নোর্থ ইষ্ট ইনষ্টিট্যুট ওফ সাইন্স এন্দ টেক্নোলোজি, লম্ফেলপাৎ






**ঐখোয়গী** লমদম মণিপুরদা য়াম্না পীকপা মীশক অমবু লক্লবা নৎত্রগা চৈবদা হৈনীঙ মরু নৎত্রগা হৈনীঙ মরুমুক চাওই হায়বা ৱাহৈ অসি শীজিন্নে। মীওইবদা থোইদোক হেন্দোক্লা কান্নবা পান্থীশিংগী মনুংদা হৈনীঙ পান্থী অসিসু মরুওই। মালেমদা হৈনীঙ মখল কয়ামরুম ফংই অমসুং মদুগী মনুংদা মখল ১০ রোমদি মহৈ অদু মীওইবনা পাম্না চানৈ অমসুং থানৈ। হৈনীঙ পান্থী অসি ৱাইল্ড মেঙ্গো (Wild Mango) নৎত্রগা হোগ প্লম (Hog Plum) নৎত্রগা স্পেনিস প্লম (Spanish Plum) অদুগা করিগুম্বা কান্দসু গোল্ডন এপল (Golden Apple) হায়না কৌনৈ। মীওইবদা থোইদোক হেন্দোক্লা কান্নবা পীবা হৈনীঙ মখল খরগী সাইন্টিফিক নৎত্রগা বোটানিকেলগী ওইবা মমিংশিংদি *স্পোন্দিয়স মেঞ্জিফেরা (Spondias Mangifera Linn.), স্পোন্দিয়স পিন্নাতা (S. Pinnata Linn.), স্পোন্দিয়স দুলসিস (S. Dulcis Linn.), স্পোন্দিয়স মোম্বিন (S. Mombin Linn.), স্পোন্দিয়স টেসতুদিনিস (S. Testudinis)* অসিনচিংবনি। হৈনীঙ মখলশিং অসি স্পোন্দিদি (Spondiadeae) কাঙলুপ অমসুং এনাকার্দিয়েসী (Anacardiaceae) শাগেগী মনুং চল্লি। হৈনীঙ পান্থী অসি হৈনৌ পান্থীগসু শাগে মান্নে। Spondias dulcis হায়রিবা হৈনীঙ মখল অসিগী মতাংদা য়াম্না নুংঙাইবা ৱারী অমা লৈ মদুদি-থাইলেন্দগী কোনুং বেঙ্কোক্তা মতম অমদা হায়রিবা হৈনীঙ মখল অসি য়াম্না মরাং কায়না ফংলমই। থাইগী মরোলদা হায়রিবা হৈনীঙ মখল অসি মাকোক (Makok) হায়না কৌই অমসুং মসিদগী লৌদুনা থাইলেন্দগী কোনুং অসি বেঙ্কোক হায়না থোনখিবগী ৱারী লৈ।

Spondias হায়রিবা হৈনীঙগী genus অসিগী মনুংদা Species ১৭ লৈবগী পাউদম লৈ। হায়রিবা genus ১৭ অসিগী মনুংদা Species ৭ না নিওত্রোপিক্কী লমদমশিং অদুগা লেমহৌরিবা Species ১০ অদুনা এসিয়াগী ত্রোপিকেলগী লমদমশিংদগী হৌরকখিবনি হায়না পাউদম্লি। ইন্দিয়াদা ফংবা মরুওইবা হৈনীঙ মখল অনী অদুদি - S. pinnata অমসুং S. mangifera অসিনি। S. pinnata অসিনা হিমালয়গী লমদমশিংদা মরাং কায়না ফংই অদুগা S. mangifera অসিনা অৱাং নোংপোক ভারত মরুওইনা মণিপুরদা ফংই। হৈনীঙ মখল অনী অসিগী খেন্নবশিংদি - S. pinnata গী মহৈনা S. mangifera দগী পীকই লোয়ননা S. pinnata গী মরুগী মতোন্দা অমুবা দোট (দাগফম) অমা লৈবা থেংনবিগনি অদুবু মদু S. mangifera দদি লৈতে। S. pinnata না S. mangifera দগী মহৈগী মতোং (Fruit pulp) অদু চাং হেন্না য়াওই। মথক্তা পনখ্রিবা হৈনীঙ মখল অনী অসিদগী S. mombin হায়রিবা হৈনীঙ অসিনা অমুক্কা হেন্না মতোং য়াওই। S. pinnata হায়রিবা হৈনীঙ মখল অসি হিমালয়গী মফমশিং, অন্দমানগী ইথৎশিং, শ্রী লঙ্কা, ম্যান্মার, থাইলেন্দ, মালেসিয়া অমসুং চাইনাদা ফজনা হৌবগী পাউদমশিং লৈ। হৈনীঙ পান্থীশিং অসি দেসিদুৱস (Deciduous) হায়বদি নীংথম থাগী মতমদা অয়াম্বা মনা কেনগল্লি। হায়রিবা হৈনীঙ মখল অসি টামিলদা পুলিকা কাই (Pulicha Kaai) হায়বগী অর্থদি অশীনবা হৈ (Sour fruit), কানারাদা অমাতে কাই (Amate Kaai), কোঙ্কানিদা অম্বারে (Ambade), শ্রী লঙ্কাদা অম্বেরেলা (Amberella) হায়না কৌই।

হৈনীঙ মখলশিং অসি মীওইবনা মখল মখা কয়ামরুমদা শীজিন্নে। হৈনীঙগী মহৈ অসি জঙ্গলদা লৈবা শজিনা য়াম্না পাম্না চাই। কর্ণাটাকাগী Wester Ghats কী মীওইশিংনা হৈনীঙগী পোমতক তৌবা মপাল অমসুং মমুন ফাদ্রিবা মহৈ অসি আচার (Pickles) শেমদুনা চানৈ। থাইলেন্দদি হৈনীঙ পান্থীগী অনৌবা মনা অমসুং মহৈ অসি য়াম্না হাওবা এঙ্গাং অমা ওইনা থোংদুনা চানৈ।

মহৈ অসি চিনি অমসুং মোরোক্কা তোৎনরগা হৈঙান শেমদুনা পাম্না চানৈ। হৈনীঙ পান্থীগী উ অসি ময়ায় ওইরপ্পা থোৎলি অমসুং মৈখেৎ উপু নৎত্রগা মৈখেৎ মচৈ, চা মনা হাপ্লবা উপু অমসুং মখল কয়াগী খূৎশু খূৎলায়গী উপুশিং শাবদা শীজিন্নে। ঐখোয়গী লমদম মণিপুরদদি হৈনীঙ অসি চাকচা হৈজানবা নৎত্রগা উৎসব মেলাদা হৈ থোংবা মথেল ওইনসু শেম্নে। পাউদমগী মতুং ইন্না হৈনীঙগী মহৈদা ভিটামিন এ, আইরন অমসুং মিনরেলশিং য়াম্না মরাং কায়না য়ালই। হৈনীঙ অসি জেম (Jam) শাবদসু শীজিন্নে।

হৈনীঙ পান্থীগী হীদাক্কী ওইবা মগুণশিং লৈ। ঐখোয়গী লমদম মণিপুরদদি হৈনীঙগী মনা শুগাইরগা শেন্থা মলম অদু তৈদুনা উনশাগী লায়নাশিং লায়েংনৈ। হৈনীঙগী মরা অদু শুগাইরগা শেন্থা মচল অদু পীজদুনা নুপীগী থাগী খোংকাপ চাং নাইদবা অদু লায়েংনৈ। ইন্দিয়াগী ত্রাইবেল খরনা হৈনীঙগী উগী মকু (Wood bark) অদু ঈশিংদা পুং খরা তীংদুনা লৌবা মহী অদু পীথক্তুনা খোঙ হামথবা অমদি ঈতোন ফাইবগী লায়েংদুনা লাক্লি। Mycobacterium tuberculosis হায়রিবা মহীক অসিনা থোকহনবা উনশাদা মরুম মরুম শৌবগী লায়না অসি ঙাকথোকপগী পাউদম লৈ। হৈনীঙগী মনা অসি শুগাইরগা থোমদুনা শীংলি থুপ্পা অমসুং তোংশা কায়বসি লায়েংবা য়াই। ঐখোয়গী লমদম মণিপুরদদি হৈনীঙ পান্থীগী উ অসি যূম-কৈ শাবা অমদি উপু কাংথোন চনবদা শীজিন্নদে মরমদি হৈনীঙ পান্থীগী মখোঙদা ফত্তবা লাই (Devil) লৈ হায়না থাজনৈ।

## এদিটরদা থারকপা ৱাকৎ, মীয়ামগী খোল্লাউ, পাউদম অমসুং অতৈ-অতৈ

### ঙসিগী খুন্নাইসিদা নুপীগী থাক অমসুং মফম

***ইকায়খুম্নজরিবা এডিটর,***

***মালেমদা*** নুপী-নুপা, জিব খুদিংসু লাবা অমোম জুরা জুরা লৈমিন্নদুনা মালেম শেম্মী। মালেমদা নুপী ওইবীগী থৌদাং অসুক্কী মতিক চাওই। মালেম অসিদা নুপী য়াওদ্রবা অরেম্বনি। খুন্নাইদা নুপীনা অথোইবা ফিদমনি। খুন্নাইদা নুপীদি মীংশেলনি। কুম্মৈ ফিয়োংদা মীয়ামগী লৈতেংনি। ইমুং মনুংদনা গম্লাগী লৈরাংগুম্বনি। মপুরোইবগী মফমদনা লোইনবী মনাইনুপীনি অদুগা পূম্নমক্কীনা মমানি, লাইরেম্বীনি। য়েক্লবদনা ভৈরিবীগী শক্তমনি। অঙাং পীশক ওইরিঙৈদগী হৌনা নুপীগা নুপাগগী থৌদাং খেন্ননা লৈরকই। অঙাং ওইরিবা নুপামচা অমনা নুপীমচা অমগী মতৌ কৈদৌনুংদা তৌবা ওইথোক্তে। নুপীদি অঙাং ওইরিঙৈদগী যূমগী মমানা তৌবা যূম্বাল্লোন তাকউবা হায়রুবা নাইদনা চুশিনবা হৌরকই। মসি নুপীমচাশিংগীদি তাইবঙ খোঙদারকপদা লোইনরক্লবা শেন্থীবা মপূনা পীরকপা খুদোলনি। ইমুং অদুগী চাক থোংবা, ঈশিং শোকপা অমদি কোল-লিক ফেংবা য়াওনা ৱাই-লম তাশিনবা হৈনরকই। মসি নুপামচাশিংদা য়াওদে।

অমোৎপা ফি অমতং লৈবদা মশাগী য়াওনা শু চামগদবগী হোৎনৈ। মসি ইমুং অমখক্কী ৱা নৎতে, ইমুং খুদিংগীনি। অসিগুম্বা থৌদাং ময়াম অসিগী মরক্তা মশাগী লাইরিক লাইশু তমগদবসু নীপানা হেনবা ঙমদে। নুপামচানা ইমুংগী থবক্তা মতেং পাঙলবসু নুপীনা হেক্তা হেল্লকই। মসিদা বিগ্যানগী লোন্দা নুপীনা নুপাদগী আই-কিয়ু (ইন্টিলিজেন্স কোসেন্দ) খরা হেন্না য়াওব্রা হায়বা অসি চিংননিংঙাই ওই নৎত্রগা কোনসেন্ট্রেসন হেন্না চঙবনা ওইবসু য়াই।

অনম্বনা নুপীগা নুপাগা ঈংবা-তপ্পদা, থবক অমা তৌবদা পূক্লিং চঙবসি নুপীনা হেল্লি । নুপী অমসুং নুপাগী হকচাংগী কয়াৎতসু অঙকপা ফংন খেন্নবা লৈ। পূম্নমক্কী মথক্তা মখোয়দা তোঙানবা অঙাং পোক্লবা কয়াৎ অমা শেন্থীবা মপুনা খুদোল ওইনা তল্লকই। ঐখোয় খুদিং ইমানা থা ১০ নাওপুরগা পোকপা ঙাক্তনি। মমা ওইবী অমনা অঙাং অমা নাওপুবা হায়বসি অরাইবা নত্তে। মসিদা অৱাবা পোৎলুম অমা চাউনা পুরিবনি। অদুদগী থা শুদুনা মমিৎ-মমাই পাঙবা মতমদা অচৌবা লানফম অমনি, মরাইবক থিরবদি পুন্সি লোইবা য়াওনরিবনি।

থা তরা নাওপুরগা অঙাং চেল্লবা মতুংদা অঙাংদুনা তাইবঙ মীরোন লাক্লিঙৈদসু মমাগী থৌদাং অসুক্কী মতিক চাওই। অপীকপা অঙাংদি চেকশিন্দ্রবদি নাসু নাগল্লি। অদুনা অহিং কয়া মমা ওইবীশিং তূম্বগা তূমদবগা তূমদবনা নম্মি। মসিদনি তাইবঙদা ঐখোয়না ফনা হোৎনদুনসু ইমাগী খোমলাং লমন শিংবা ঙমদে হায়নরিবা। অসুম্না মমাগী থৌদাং য়াম্না চাওই।

অঙাংশিংনা অমুক মহৈ-মশীন তম্বা হৌগৎলকপদা অঙাংশিংবু অয়ূক্কী ব্রেকফাষ্ট পীজবা অদুগা লাইরিক লাইশু পাহন্দুনা শেন্নবীবা, অমুক্কা স্কুল কাবা নংনবা চাক থোংদুনা পীজবা, মফি মরোল শেৎপীবা অদুগা স্কুল চৎনবা হোৎনবা অসি মমা ওইবীনা থৌদাং চাউনা লৌরিবনি। পূম্নমক অসি অরাইবা নত্তে। অঙাং অমা চাওরকপা, মহৈ-মশীন তমহনবা, খুদিংমকপু মায়োক্লবা ঙম্নবা হোৎনবা পূম্নমক অসি অরাইবা নত্তে। অদুগী মথক্তা মচাবু ফজবা ৱাঙাঙ, ফজবা শাজৎ, থকসি-খাসি নাইবা মীনুংশি তম্বীবা পূম্নমক মমাগী থৌদাংনি।

অমরোমদা মমানা অঙাংবু লুনা তৌদবসু য়াদে। মরম চানা হেঞ্জিন্না নুংশিবা উৎলুবনা অঙাংবু মাঙননবা মচাক ওইহল্লি । অঙাং মাঙনবা নুংশিবদি অরেম্বদা নুংশিবনি। মসিদনি নেপোলিয়ান বোনাপার্টনা অফবা মমা অমা লৈরবদি মালেম জয় তৌগে হায়রিবসি। মসিগী নুংগী ৱাহন্থোক য়াম্না ফজে অমসুং পাক চাওই। অফবা মমানা শেন্থা মচাদি মীনুংশি লৈগনি অমসুং ধর্ম্ম লৈগনি। মথৌনা লৈনা থৌপাংগনি। ময়াই কাবা পোৎলমদগী নাথৈগনি। লৈবাক মীয়ামগী অমদি লৈবাক্কী লন ওইগনি। পূম্নমক অফবা মমাগী মগুণ লৈবা অচৌবা খুদোলনি। ঙসিগী অঙাং তুংগী মালেমগী লননি। মখোয়গী অফবা অমসুং ফত্তবা খুন্নাই অসিদা মমি তাগদবনি। অদুনদি ঙসিগী নাওশুম পায়রিবা মমাবু ঐখোয়না য়াম্না ইকায় খুম্নবীগদবনি। মখোয়গী মফম চাওনা থম্বীবা অসি য়াম্নমক মরুওইরিবনি। অফবা মমানা অফবা অঙাং শেমগনি। শেম্বদা য়ারোইদবা অমা ফাওবা লৈরোই।

জঙ্গলগী শাহিং চাবা কৈ, নোংশা ফাওবা তেহন্দুনা কান্নবা লম্বী কয়াদা শীজিন্নবা য়ারিবনি। মীওইবদি করিগী তম্বীবা য়ারোই। ঙসিগী খুন্নাই অসিগী লাইবক মমা ওইবীশিংনা লেপ্পীগদৌবনি। ঙসিগী মীরোলনা নুপীবু লায়না লৌবগী চৎনবী লাক্লিবা অসি চুমদবনি। পূক্লুংদা লৈরিঙৈদগী হৌনা অঙাং অদু নুপী ওইরবদি মাঙহননবা হোৎনবা, নুপা ওইরগনা চেকশিনবা মসি য়াম্না অশোয়বা থবকনি। নুপীনা খ্বাইদগী মরুওই হায়বসি মীপুম খুদিং খঙগদবনি। নুপীগী মগুণ হন্থরকপনা খুন্নাই অসিদা ক্রাইম কয়া থোক্লবগী মরম ওই।

অমরোমদা ঙসিগী মমা ওইগদবা অমসুং ওইরিবী কয়ানা য়াম্নমক খন্থবা মথৌ তাই। মমাগী ৱাখল লানখ্রবা, মিৎয়েং শোয়খ্রবদি লৈবাক অসি করি ওইবা তাই, খল্লুবদা তু চুংবা ফাওই। ঙসিগী নাওশুম পায়রিবা খূৎতুনা নাওশুমদি পায়দনা লুদু মরু, জ্বারগী চে, য়ুঙাং লিক্লগী গ্লাস অমদি ক্বা জর্দাগী মতম মখূত্তা মরি মঙা পায়দুনা লৈরবদি লৈবাক অসিদি করি ওইগনি।

অমুকসু লিরি খোইরিনা লৈগদবা মাইথোং, নোল্লুক্লা চৎকদবা লমচৎ পূম্নমক হুন্দোক্তুনা মোবাইল অমা মনাদা নপশিন্দুনা চৎলক্লবদি লৈবাক শান্তি লৈরোই ক্রাইম কয়াগী হৌরকফম শোয়দনা ওইগনি। অদুদা মখোয়না মচা শেমগদৌবসি কদায়দনো? মখোয়না মমা ওইবীগী শক্লোন হুন্দোক্তুনা অতোপ্পা শক্লোন লৌরকপদা পূম্নমক মাঙহৌবা তাবনি। ফুক্কৎপা মতমদা কুইনা চঙগনি, মীরোল অমদদি ঙমগদৌবা মান্দে। মালেম অসিদা অচৌবা থৌদাং লৌগদৌবা মমা ওইবীশিংনা হীরম অসিদা নাচঙদ্রবদি তুংগী যূম্বীরেল ওইগদবা নহাশিংগী অশা পূম্নমক মাঙলগনি। অদুনা ক্বা জর্দা থাদোকপীরো, অঙাংবা গ্লাস, লুদুগী মরু, মোবাইলগী লীলা থাপ্না হুন্দোক্তুনা নাওশুম হাইগদবা অমসুং হাইরিবা খূৎনি খন্না ইচাশিংবু করম্না হয়েংগী লমদম অসিগী থৌবুরোল ওইহৌগনি খন্না লৈবাক্কীদমক অফবা লম্বী অমা অপন অরাক লৈতনবা অফবা খুন্নাই অমগী আশা চাউনা ঐখোয় পূম্বা তৌমিন্নরসি।


*অদোমগী - এম থম্বৌ সিংহ*
*সেক্রেটরি, ককচীং খুনৌ মখা হায় স্কুল*

## মরোল থোকপা লাই




## জাতক্কী শৈরোল

মৈতৈলোন্দা ইথোকপা : বি জয়ন্তকুমার শর্ম্মা



### পুখ্রী

“উমংদগী পুরকপা হান্ন’ই পুখ্রী মল্লেদো;
উমংদগী অনৌবা পুরকউ”বু হায়রেদো।
মহাসদ্ধা হায়রকই, “নখোয় খরা চৎলগা,
ঈনীংথৌদা হঙ্গৎলু নফি লৈখোম তৈরগা;
‘ঈনীংথৌ ও! ননাই’খোয় খুঙ্গংদগী লাকপনি;
তাকপীবগী মতুংইন্না পুখ্রী পুজরকপনি।
সহর অসি য়ৌবদা ফুরা-দলান উবদা,
কিরমাল্লে পুখ্রীদো চেনখ্রে অমুক উমংদা।
উমংদগী পুরকপা পুখ্রী অমা হান্নগী,
অমুক্তংবু পীবিয়ু; মশক উর’ মহাক্কী,
লাকউ য়ানি অমদু নৎত্রবদি শোয়রনি”।
ৱাফমসিমক হায়রুরে; নিংথৌ হরাউজখরে;
মহাসদ্ধা কৌববু শিংই থাগৎপীখরে।